# ৱারীমচা

## নুংশি লৈকোলদা সনারৈ নুমিৎলৈ

*খুন্দ্রাকপম পুনেশ্বরি দেবী*

লৈহাওথাবম বামোন, ঐজ্ঞামচা নুংশি শর্ম্মগী হোটেলদা ফংবা বোরা–কাংহৌ, চিনিকম চাঙাঙ আলু শাক্কা লোয়ননা পুরি তল, লৈকাইগী হনু–হনা, পাখঙ লৈশাবী খাক্তনা পাম্নবা ঙাকনি। করিগীসু পাপ্লোই, ঐজ্ঞামচা নুংশি কুচু ঙৌই, মতু নাল্লি, মতম পূম্বা ফৈজোম অশেংবা, উরিক লুগুণ মচা তাখ্রবা, ঙকশমদা ঙাঙতক তৌনা উরৈরোম শংবা খুদৈ ফদি থাদে। অয়ূক খুদিং মীনা কৃক–কৃক ইন্নে, লৈকাইগী মীওই অমত্তা চিংখরপ্লোই, নোংঙানবদগী অয়ূক পূং ৯/ ১০ ফাওবদি ঙম্নমক বামোন নুংশিগী হোটেলদা হাজির কারক্লমগনি। নুংশিগী হোটেলসি মানা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌদোরকখিবদুনা চহী ১০/২০ গী মতুংসি ফাওবদা অদুম্মক মমিং চৎলি। নোংমা–নোংমগী অসুক চাউখৎলকপা উই, করিগীসু চাউখৎলোই নুংশিগী লোয়নবী থৌরানি নুমিৎলৈ রাশিনা খজিক হেঞ্জবগী ৱাতনি মী মুই হায়নবা য়াওদে, মশা নাল্লি, মফি নাল্লি, লংলবা ময়াদু খজিক কাংখৎলগা "তাদা, ইবুংঙো চা সোমদা লৈজরে" মায়থোঙ লুকলপ মীৎতা অমতং মীৎচাহল্লম্বদি করম্বা নুপানবু বোরা–চা শোৎনীংলুদগে, শোৎপদি লাইরদনা হয়েং–হংচিৎ ফাওবগী বোইনা পীশিল্লম্বা ঙাকনিদো। ঐজ্ঞামচা নুংশিনা থোংলি থাক্লি, লৈরং মনাক্তগী হেন্দে, থৌরানি নুমিৎলৈ ময়ামগী সেবা তৌই, ফাল টেবলশিং শিত্তোকই, নাম্বোকই, মচু তাই। নুংথিল মতম য়ৌরক্লকান্দা লৈত–লায়র তান্নে, পূকমেন পাউমিন্নে, কয়াম শিৎলবা, পোৎ– চৈনা কয়াম লৈরি, থাউ–থুম, আলু–আতা হয়েংগীদমক অৱাৎ–অপা পাথোকই, নুমিদাংৱাইরম য়ৌরক্লকান্দনা থৌরানি নুমিৎলৈনা কৈথেল কাই, পোৎ তিকই।

ঙসি ঙরাং নোংমা নীনিসি থৌরানি নুমিৎলৈ গ্লাস চাম্বদা মখোল থোকই, প্লেট–চামস থম্বদা চুম্না থমদে লংবা মান্না মখোল হৌই। নহানমখৈগা মান্নদেসে, করি মতৌনো, খূ–খূ খারৌ মতানি, নহান নোংমখক থৌরানি নুমিৎলৈখোয় মপাম, লৈকাইগী মবুংশিংনি হায়বরা করিনো কুঞ্জো কৌবা পাখঙ শরি অমা লাক্তুনা, লম্বী ওইনা লৈকাই মচনগী হোটেলদা চা গ্লাস অমা থকখিবদু পৈশা লৌহৌদবা মদুগী নুমিত্তুদা বামোন নুংশিনা হোনখিবা শ্বরদুগা চপ হেক মান্নে। থৌরানি নুমিৎলৈ ঙসিদি চাননা শাউবা মাল্লি। ঐজ্ঞামচা নুংশি পূম্নমক ভাব তাই, থৌরানিনা কামলিবা পোল্লিবগী মরমসু খঙই। মাগী মতৌদুনা তুমিন নোকই। লৈরং মথক্তা ঙৌরি আলু শাক্তু কাদনবা ওৎলিবা খাবৈদুনা খাংগী মপান্দা তান থা–থাদুনা ঐজ্ঞামচা ঈশৈ ঙংই– "মেরা থাগী সনারৈ মরকসিদা, সনালৈবাক মণিপুরগী নিঙোল পূম্নমক্না ...। ঐজ্ঞামচাগী ঈশৈ থৌরানি নুমিৎলৈগী নাকোং দ্রমদা য়ৈরুরমাল্লে কৃষ্ণ–কৃষ্ণ অখাক অরাউগা লোয়ননা থৌরানিনা অমুক্তং লাউথরকপবু। "ঙসিনে মেরা থাগী সনারৈকা পুমচাই চাইনিসে।" থৌরানি নুমিৎলৈনা খ্বাইদগী অশাউবী অমা ওইরিবসে মাগী সনারৈ হায়বা মিংসিনি, লৈবু ওইসনু, মাগী মিংবু ওইসনু। "সনারৈ সনারৈ মসিতা পল্লনু হায়রগা, নতু সনারৈদো" ঙাংনা–ঙাংনা থৌরানি নুমিৎলৈ ঐজ্ঞামচা নুংশিগী লৈরং মনাক তম্না চঙশিনখ্রে। মখূৎনা পায়রক্লিবা বাল্টিন মনিংদা য়াওবা গ্লাস চাম্বগী খূৎচাম ঈশিংদু লৈরং মনুংদা জোরো হৈজিনখ্রে। ফাল টেবলকা তৈথোক্লম্বা ফদি অমোৎপদু ঐজ্ঞামচা নুংশিগী মমায়দা লংশিল্লম্লগা হোটেলগী মনিংথোঙ ফাওদোক্তুনা থৌরানি শাহুম অমগা লোয়ননা থোকখি। নুংশি থৌৱা শাদে মহৌশানা কয়াসু শাউগন্দে, শাওবা য়াদবা তাঞ্জানি। ঈশিংনা চোৎলবা অচোৎপা শিংশিংদু হোটেল মমাঙদা পুথোক্তুনা ফৌদোকই, অকংবা শিং খরা অমুক লৌশিন্দুনা ইনৌ নৌনা মৈ হৌগৎপা হৌই।

অশেংবমকসু পূম্নমকসি হৌরকফমদি মানি 'সনারৈনি'। সনারৈ হায়বসি লৈহাওথাবম বামোন নুংশিগী য়ূম্লোন্নবদা লৈরম্বী হৌজিক্না শোইবম লৈকাইদা য়ূম পাল্লুরগা, মাগী নুপাদু থবক শূনীংদে য়ুতা ঙাওদুনা খৎনবা হৌদুনতসু লৈগল্লি হায়দুনা মচানুপাদু পুরগা খাইনরকপদগী মপামদা হল্লক্তুনা লৈরবনি। ঙসি মঙা–তরানি অয়ূক খুদিং হোটেলদা তল চাবা লাকই। বামোন নুংশিগা নহানৱাই কাবক কাবকপা মরী–মরী লৈনরম্বা জাৎনি অদুবু সনারৈদি নোংমাইথেমনি। সনামহি য়ক লাউবা শমখাকপা, মকোই মরাং কক্তবা নোংমাইথেম মণিগী মচাবু বামোন ইমুংগী মৌ ওইবদি শুকপাম হেক পামজদে হায়না বামোন নুংশিগী মমা থৌরানি ঐজ্ঞাবোক্কী চিন্দগী তাখিবা অয়াকপা খোনদু তারুরগা পামদা পামদনা শোইবম লৈকাইদা ওংখিবনি। বামোন নুংশি অমদি নোংমাইথেম সনারৈ য়ূম্লোন্নবকা ওইবনা ঙাইহাক লৈতনা ঙাংনৈ–শকনৈ, অসুম নকশিন্নরকপদগী হায়ফেৎ মানবা মরী অমা লৈখিবা ওইরে। বামোন নুংশিখোয়গী মমাঙ পুখ্রি মপানদা পীক্লবা লৈকোল মচা অমা লৈ, মখল শুনা লৈ শাৎলি, হৈপাল কয়াসু হৌরি। মচি অমদা নোংমাইথেম সনারৈনা লৈ সনারৈ খরা থাদুনা নুমিৎ খুদিংগী মখোঙ শোমজখি, ঈশিং চাইজখি। মতমদুদগী হৌনা বামোন নুংশিগী লৈকোলদু মহাক্কী পাখঙ ওইঙৈ চান্নজরকপী নোংমাইথেম সনারৈনা থাজরম্বা লৈরাং সনারৈ ঙসি ফাওবা শাগৈ জাৎ মুৎপা নাইদনা লৈশাৎ তমজরিবদু মরক মরক্তা থৱায় তানা য়েংজরগা বামোন নুংশিনা য়াম্না নুংশিবা শুরদা শৈথাদুনা ঙংজখি "মেরা থাগী সনারৈ, খূনিং কাইবী সনারৈ"। নোংমসু রেডিও প্রোগ্রামদা নুংঙাইনা তারিঙৈদা "তাজনীংখ্রপোৎনি" হায়দুনা থৌরানি নুমিৎ লৈনা মখোয় রেডিও মচাদু পুখ্রিদা লংথরুরবনি। নোংমা নীনিসিদি মাগী ইকায় খঙদবী সনারৈদো মচানুপাদু পুরক্লগা মীগী হোটেলদা খেক–খেক নোক্লদনা চারিবা থক্লরিবা। "আ তা নুংশি নঙগী লৈকোন্দা ঐনা থারম্বা সনারৈদো মুৎহনবা য়ারোইকো, ঐনা লান্দবা থোক্লদি নোংমতং ওইরসু চিল্লখিনি" ককাইনা ঙাং–শক্লিবা মাগী সনারৈ নুপানা পাম্বীদবীদুনা। করম্নবু অসিগুম্বা খোনফমশিংসিবু থৌরানি নুমিৎলৈগী নাকোংগী শিংজা ওইরোইদগেনে। "হো ইবেম্মা, সনারৈদি ইবেম্মা, নঙগী নুপাদো অদুক য়াম্না ফত্রবদিনে ইচনসিদি শুংহন হেক হঞ্জিন্নরুরনু, নপুন্সি চুপ্পা নপামদা শুম লৈথোকউ" কাইনা ঐজ্ঞানা ৱাহং হংবসু মানবা, পাউখুম পীবসু মমান্নবা ৱাকা ঙাংখিবদো করম্বা থৌরানিনা খাংবা ঙমগদগে। চিন্বাল থোক্লা কাংথোকপা ঙমখিদ্রবসু থৌরানিগী থম্মোয়না হেক হায়নীংখিবদি "মৌ হল্লকপীদু ঐজ্ঞানা অমুক লৌগে হায়রিরো?" মচানুপানি হায়দনা মহাবলিগী য়োং মচিন্দু হেক মানবদুগী "আ অঙাং পীজখো, শাবনি পোকপনি" কাইনা খাংদগী লৌথবতা ঙাইরিবা তোস অশাবদু অমত্তগসু নৎত্রিয়ে অনী অহুমকা পুল্লপ খবরদা য়োন্নগা ঐজ্ঞামচানা সনারৈগী মখূৎমক্তগা শিন্নখিবা, "হে সত্যা খারেদকো" লুপাদি মঙা–মঙা, তরা–তরা নুমিৎ কয়ানো, মখোয়না শান্নখিগদবা লীলাসিবো। নুমিৎলৈগী মফমদা পুমখা হেক খারবা হায়দুনি।

ঙসি নুমিৎ অসিমদি থৌরানি নুমিৎলৈ ঐজ্ঞামচাবু চাক চারসিফাও হায়রদ্রে, শাউখ্রে, পনখৈ লানখ্রে। হোটেল থোঙ লোনশিল্লগা ঐজ্ঞামচা নুংশি মাগী থৌরানি নুমিৎলৈবু থিবা চঙলক্লে। ইমুংদদি লৈরমদে, পুখ্রি মপান্দা থোরকপা কান্দদি উরে নুমিৎলৈ লৈকোলগী চিদাইদা হৌরিবা সনারৈ পাম্বীশিংদু ঙম্নমক ফোইদৎলগা মপৈ পৈশিন্দুনা, অতৎ–অতৎ থদৎপা য়াও, নৈখায়বা য়াও মখোঙদু কাখৎলগা নৈখায়বা য়াও মওং অমদা লৈরমই। ঐজ্ঞামচা ৱা ঙাংদে, খল্লম্বগা চপ হেক মান্নে, নোক্তি নোক্লীংবনি অদুবু নোকপদি ঙমদ্রে, কিশু কি কিদবসু শাই নিক্লপ তৌবা খোঞ্জেলদা "হায়মা নুমিৎলৈ নঙনা তৌরিদুবু করিনো?" খূদাং পায়দুনা চিংলুই। "সিগী সনারৈসি নৎত্রা মানা থারম্বা জাৎতো, অসুক কুইবসি শাগৈ জাৎ মুৎহনদবমখৈ থৱায় তানা শেন্নজরকপা ওইরিনিয়ে, ঙসিদগী মাগী জাৎসি মাঙখ্রগতা ঐ পেল্লনি। সে সে মসে মানা য়াম্না চিন্নীংবা সনারৈদগী জাৎসে, চিল্লে সে সে সেবা, খোঙপাকসিনা চবেৎ–চবেৎ নেৎখাইরগা পেল্লনিসে, নঙসু মসে চিল্লে সে" ঙাংনা–ঙাংনা খূবাম অমা পায়রদুনা লৈবাকও–উফুলও পূল্লপ ঐজ্ঞামচাদা লংশিল্লি। ঐজ্ঞামচানা মমায়দু খল্লগা "মসিদি ঙাওইদনা তশেংনা, মবুকসি কয়া ফৎত্রিনো সে, ওইসু য়ারোইদবা, হে মীৎশেপ্পী নমিত্তো খরা চুম্না য়েংবা তম্মো, অঙাংসিনা অদুক নুংশিদনা ফাগি তৌরগা নঙনা ফৈরেং তুরেংকা খল্লদুনা, পকতেকো" লাকওসে চাক্কা অমত্তা থোংদঙৈ, মতম্না আ য়ৌনা থেংলকালসিফাও"। নুমিৎলৈনা মখা তারকই, "থেংসনু, থেংবতা নত্তে নুমিৎ তাখিসনু সনারৈ পাম্বীশিংসে কংবা ফাও ঙাইখিনি, সনারৈ পাম্বী অকংবনা শীং ওইরগা চাক থোংদোইনি, মদুতদা মাগী ধারা মুৎখিনি, মদু নৎত্রিঙৈ ঐ য়ূমসিদা লৈবা শান্তি ফংদৌ মান্দে।"

লৌশিং চাউবা বামোন নুংশিনি, নুমিৎ লৈনা শাউববু কয়াম কুইগদগে, থেম্বগা নৌবগা "ইচা য়োকপা ঙমদনা মাঙগে' কাইনা ৱাশকশিন্দুনা মানা ঙমদুনা নুমিৎলৈগী মখূৎ পায়দুনা ইমুংলোমদা চিংশিনখি। ৱা–ৱা অমুক নোকমিন্নদুনা চাক ঈশিং লোইশিনমীন্নখ্রে, চাথোকমিন্নরে। ঙসিদি চাক্তি ঐজ্ঞামচানা থোংখিবরা নৎত্রগা থৌরানিনা থোংখিব্রা ইমুং চাকশঙদা লোইশিনবা থবকনিনা খঙজহৌদ্রে অদুবু কোল লিকতি ঐজ্ঞামচানা ফেঙখিমাল্লে মরমদি ঐজ্ঞামচানা পুখম তেঙ্গোৎ খূৎ নাম্মনা পায়রগা খূৎ নাম্মনা মাগী ফৈজোম শেন্না–শেন্না পুখ্রি মপানলোমদা চৎখিবদু উনবা য়াওহৌই।

নোংমগী থৌদোকশিংদু নোংমাইথেম সনারৈগী নাকোংদা শাহুম খরা ফংখিবনরা করিনো, নীনি হুম্নিদি ঐজ্ঞামচাগী হোটেলদা সনারৈ থোরকখিদ্রে। থৌরানি নুমিৎলৈগী মফমদা পূম্নমকসি অফবা অমা ওইখিবদি য়াই অদুবু ঐজ্ঞামচা নুংশিগী মফমদা খরখিৎ ইকায়খি। অদুমকপু সনারৈ মপামদা লৈরি নুপা ময়ূমদা হনখিবদি নৎত্রি। নোংমগী নুমিৎ অমদনি, অঙকপা থৌদোক অমা ওইখ্রে, নুমিৎনা খজিক লৈথরকপা অদুৱাইনি, থৌরানি নুমিৎলৈনা কৈথেলদগী পোৎ তিক্লুরগা হল্লকপা মতমদনি। মতমদুমক্তদনি মচানুপানা নিংঙাই তৌবদগী নোংমাইথেমগী সনারৈ মচাগা বোল মচা অমা লংদুনা শান্নরম্বনি। মমা–মচা অমনা অমুক লং অমুক ওক মপামগী শুমাঙদা অসুম শান্নরম্বনি, খঙহৌদনা লাই অমনা হেক ইনশীনখিব্রা করিনো মচানুপাদুনা খংলক লংলকপা বোলদু শুমাঙ লাম্বোকখ্রে, য়ূম্লোন্নরিবা লৈহাওথাবমগী বামোন ইশ্বোলদু লানশীনখিদুনা পুখ্রি মপানগী লৈকোল য়ৌশিনখ্রেদনা। মতা অমা চানা ঙসাইমখৈ মাঙ্গোলদা উইরোন–উইরোন হিপচরম্বা ঐজ্ঞামচা নুংশিদু মমীৎ নোইরগা পুখ্রি মপাল্লোমদা থোকচরকপনি। শম্বল লিৎশিল্লগা মচানুপাগী বোল থিবা চঙলকখিবা সনারৈগা হেক থেংনরুরে। "তা নুংশি অঙাংগী বোল চোংশিনখ্রে, বোল থিবা চঙলকপনি" হায়বা সনারৈ ৱাদু তাবদগী ঐজ্ঞামচাদু কোয়লৈ লৈদুনা বোল থিবা য়াওরে। তিঙ্খাং ফজনা পানবা নেল্লপ মনা পুংবা চম্প্রা পাম্বী অমগী মখোঙদা অঙাঙবা প্লাষ্টিক বোল মচাদু তারম্বা উবদগী ঐজ্ঞা নুংশিনা খুনগৎলগা "হায় হায় নঙগী নচাগী বোলদু সিদা লৈরেহৈ" হায়দুনা সনারৈদা হেক পীবনি। খঙহৌদে কদোমদগী পাইশিল্লকখিবা অখাক–অরাওগা কোন্নবা নোংলৈনো "কনানো, কনা কনানো, হুরানবগা হুরানবীগা লৈকাই লৈকাই হুরানবা ফারে, হুরানবা অমগা হুরানবী অমগা লৈরে" থৌরানি নুমিৎলৈগী বজাজ লাউদ স্পিকর খংথা থাদোরকখি। সনারৈ পুমপা পাকৎনা চেনখিবদা লিৎকদবা শম্বল অহোবা মপা কাউখ্রে ৱাংলবা শম্বলদু নমখাইবোই চোংবোই জ্ঞান অমা তাখিদ্রে। নুমিৎলৈগী অয়াকপা খোঞ্জেলদা পাখৎখিবসে সনারৈতা নত্তে, ঐজ্ঞামচা নুংশিগী ফৈজোমদুসু কিমনখিদুনা চম্প্রা তিঙ্খংদা পনথোকখ্রে। খঙহৌরম্লবদি মফগদবা, চেকশিনহৌগদবসু ৱার্নিং ফাওবা পীরমদবনা খংলৈ লৈথোরকপদা চম্প্রা তিঙ্খংনা পনখিবা ঐজ্ঞামচাগী ফৈজোমদু তঙ্খাই অমা নাম্বখ্রে। ফৈজোম্বু হোংনগদ্রা, নুমিৎলৈগী চিনবু মেনগদ্রা, লোইরে ঐজ্ঞামচা নুংশি মীমাঙ ফম্লে। কৈথেলদগী পুরকখিবা পোৎ–চৈ মখৈ পুমচাই চাইথোক্লম্লগা থৌরানি নুমিৎলৈ ইমুংদা চেনশিনখ্রে। শাউমনখিবনা ফাথবা ঙমজদ্রবীনি, ঙসিমক মপামদা চৎলগে লেপ্লে মচিন্দদি কপ্পগা লাউবগা লেপ্পা লৈতে "বামোন হুরানবা হুরানবী সনারৈ ওক্তবীগা নখোয় অনী পাঞ্জহৌরো, নখোয়গী লীচৎশিংদো খারে, তুক্কৎচরে, অচেংবা তাঞ্জা থিরগা শেলগা পীরদনা" মাদি ঙসাই ঐজ্ঞানা সনারৈদা পীখিবা অঙাংগী বোলদু শেল তুমিন্না পীরবনি খল্লিজাৎনি। ঙাংবা লেপ্তে মপোৎ মচৈ য়োমশিল্লি। "হো ইমা নঙবু লৈবাকসিদা নুপা অমত্তা লৈত্রবোইকো, অফবা নুপা য়াম্না লৈ হায়দাইনে, নঙনা ঐগীদমক থিবিরকখিবা নুপাসিদি নুপা ওইরমদ্রে, মীহাৎপা হুরানবা ওইরম্মে, নুপী উবা য়াদবা, মৌ হল্লকপীদা থৱায় তাজগনবা উং উং" কপসু কপ্লি। "মানা তৌজ–শারিবা ঐ লৈতবা তাঞ্জা য়েংলগা মহা ওক্তবীসিগা লীলা কয়া অমা শান্নরগা শেলগা লোন্না পীখি সেসে" নুংমিৎলৈনা কপ্পা কপ্পা ঙাংখিবনি। বামোন নুংশিনা মাগী নুপীবু খাম্বা ঙমদ্রে, মতোমতা ঐবু করি লানখিবগেনে খনবদা নুংবংনরি। থৌদোকসি মঙোন্দদি মঙগুম্বনি। থংনবগী শুমাঙদা সনারৈ থৌরানি নুমিৎলৈনা ঙাংলিবশিংদু তাবদা খাঙবা ঙমদ্রমাল্লে মচানুপা অপীকপদু দম–দম ফুগৎখ্রে। "হৈ মপা ফত্তবগী মচা মীনুখৎ নঙ হাক্তক্তা ঐ শিরেহে, নঙগী বোলসি মসে শান্নবা বোল নত্তে, মীগী য়ূম কায়হন্নবা বোলনে, মসিদা লংথোকখ্রগে" লাউরকই সনারৈ। মাগী ৱাদু মচানুপা অপীকপদুনা করি হায়না তারুরবনো খঙদে খংকপ কপখৎলকই, য়াম্না হৌনা "কনানা ঐগী বোল থুগায়রিবা, আং বোল শিংউ, ঐগী বোল কায়বা য়ারোই"। সনারৈনা ওকখি, "শিংগেজন নঙগী বোল কায়রে হায়বা নত্তেনেহে নঙগী বোলসিনা বোম ওন্দুনা বামোন ইমুং থুগায়রে হায়ৱানি।" ঙসাইমখৈ শেংফাত্তনা তারুরবা সনারৈগী মমা হনুবী তখৈল্লেনা মচানুপীদা ওনশিন্দুনা ঙাংলকই– "তৌঙম্বী করিগী অঙাং ফুরিনো, লমহেনবীসিদি নৱা ফত্তবদুদা তায়নবদি ঙমদ্রদনা ইশু ফুবা য়াব্রাও। সনারৈনা লাউরকই– "হনুবী ননানি হায়দনা ইপঙ হেক পঙলগা নঙমসু ফরক ফুরকখিনু, নশুনুপা য়োংসিগী বোলদো মীগী ইশ্বোলদা লংশিল্লুবদগী, বোলদো খঙইদনা বোলদুনা বোম ওইরুদনা মীগী ময়ূম থুগায় হায়বগী ৱানে, ও মতৈ–মনাও খৎনরে, মতুনি হায়দনা অঙাওবীরা কৈনো মীরোন থুংদবীসে, মমিৎসি চুম্না য়েংদেনে, ৱা অমত্তসু চুম্না তাদে, মচিন্না থিরিবা, মশকসিগা নুমিৎলৈ কমাইনা কৌরম্লিনো খঙদে অমুরৈ কৌবা য়াদজাৎলা, অপ্রাজিৎতা মানবিসে, মাননে মৱাসি মীমাঙ ফমহনদৌরিনে" মচানুপীগী ৱাদু তারগা নাপঙলবী মমা তখৈল্লেনা মখা তারকই– "ইশুনা থুগায়গে হায়না থুগায়ব্রো অদুবো, শান্নবদা শোইখিবনি কৈনো, মাগী থোঙনাউ মিংশেলদুবু লুপা কয়া পীবনো, ইবোক্না শিংদোক্লগা কোক লোইরে।" লোইরে নোক্কদবতা মঙাই। পাউদি অমত্তা হেক ফাওনখিদ্রে।

সোমদা ঐজ্ঞামচা নুংশি থৌরানি নুমিৎলৈবু খাম্বা ঙমদে, করি হায়দৌনোসু খঙদে, মকোক পায়দুনা চুরিদা মখোঙ য়াম্বা মাঙ্গোল মচিদা ফমদুনা লৈ। মচিন্দা চবেং–চবেং ময়াম অমা কামথরম্লগা নুমিৎলৈ ইমুংদগী মপামদা চৎননবা থোরকই। ঐজ্ঞামচানা খামজৈ– "হায় হায় নুমিৎলৈ অমুক্তদি তপথখো, নঙনা খল্লিদু চুপ্লোইকো, লৈকাই মমাঙদা ইকায়" মখূৎ পায়দুনা য়াল্লি, নুমিৎলৈ তাদে ফ্রং কনথোক্লগা "অসি থোক্লবা শিল্লি নৎত্রো, লৈহৌরো ঐদি চৎলনি" চৎখ্রে নুমিৎলৈ, কন্না খামজবদু থওইবিরমদ্রিঙৈ, ঐজ্ঞামচা শোম্বাংননা হায়খি, "ঐদিনে নোয় য়ূমদা নঙ কৌবনি কায়না লাকপদো ইকায়কো।"

নোংমা নীনি হৌখ্রে, ঐজ্ঞামচাসু নুমিৎলৈসু কৌরুদে। হোটেলদি হাংদবা য়াদ্রে, মসিনা জীবিকা ওইরি, মতোমতা হোৎনৈ, হোটেলদা লাকপা মীওইশিংনা থৌরানি উদে মরম হংবদা ঐজ্ঞামচা খুন্ফম খঙদে, কনাগুম্বনা কৌশিনবিরু নুপী য়াওদনা য়ূম পানবা নুংঙাইবা হৌনদে হায়বিরম্বসু য়াওই। সনারৈসু নুমিৎ অদুদ্গী হোটেলদা অমুক্তা লাকখিদ্রে। খরা লৈরগদি চিবোন–চিবোন ঙাংনরকই "সনারৈদো মাগী নুপাদু লাক্তুনা মপামদগী পুখ্রে।" মহাক্কীদি য়াইফবা হায়বদু ওইখিদুনসু ঐজ্ঞা নুংশিগী ওইনদি নুপীদি লৈরি হায়ববু পাখ্রা য়ূম্বাল ওইহৌরে। খ্বাইদগী হেন্না লুরিবদি মচানুপা অমখক স্কুলগী বোর্দিংদা লৈবদু চহী পরীক্ষা লোইরে য়ূমদা লাক্লনি, মানা মমা হংলকপদা করি হায়না খুমদৌরিনো ঐজ্ঞামচানা।

ইকায়বদি মাঙখ্রে, ইকায় খঙদবগী কান্নবসু লৈহল্লসি, ঙসিদি ইকায়বা পূম্বা থাদোক্লগে, মল্লি–মল্লিবদুদা নুপী মপামদা ঐজ্ঞামচা লাক্লে। অশেংবা ৱারী পূম্নমক লীরে, নুমিৎলৈনসু সনারৈ মপামদগী নুপা ময়ূমদা চৎখ্রে হায়বগী পাউ ফংলম্লে হান্ননা। হরাউ–হরাউ অমম্বা মরক্তুদা ঐজ্ঞামচাগী কি–কি খোংলবা একাগারী মনীংদা নুমিৎলৈনা নপ্পগা ঐজ্ঞাগী য়াংলেনদা খূৎতুম শুর–শুরদুনা য়ূম য়ৌরকখিবা খঙহৌদে। ঙরাং অহিংদুমদি ঐজ্ঞা নুংশিগী ইমুংদু হান্নগুম্না অচিকপা অহিং ওইখিদে, নোক খেবগী খোঞ্জেল খরা থোকখিবগুমই। নোং ঙাল্লবদা ইশ্বোল মতোন, পুখ্রি মপানগী লৈকোল মচাদুদা ঐজ্ঞা নুংশি খূৎতা থাঙজৌ পায়দুনা করি করিনো পাম্বী খরা থাননবা থৌরাংলি। থৌরানি নুমিৎলৈ ঐজ্ঞামচাগী নাক্তা লেপলৈ। য়াম্না খঙনীংনা হংলকখি। "করি চারনো থাদৌরিসিনা?" ঐজ্ঞানা খুমখি "ওন্তা চৎতুনা মখারোমগী তাদা ইবোতোনখোয়দগী ফুক্লুবনি, নুমিৎলৈ চারানি" নোক্লপ তৌনা মখা তারকই, "সনারৈ চারদি লৈহৌদবরা, সনারৈদি থাররোইদ্রা?" ঐজ্ঞা নুংশিগী অরোইবা পাউখুমসিনি শাথীরিবদি। "ইবেম্মদু চহী মতাং চাদরে, চাউখ্রবা ইমুংসিদা ইচিক চিক্না পাল্লকখিবা মঙা–তরানিদো ৱাখ্রে, নুপাসু শা, নুপীসু শা, মদুনা খরা ফরিয়ে, অচিকপা অথেংবা অহিং কয়াদো ইমুংসিদা ইতোমতা তুম্লকখিবা কয়াম কিখি খঙব্রা?

# তাবুনুংদগী

*পেনা শকপা ওজাশিংনা মোইরাং থোইবীগী ৱারী শকপদা মাগী মাগী হৈজবা কয়া ঈশৈদা উখোকপা মতাং অমা হায়রবদি কাও ফাবনি। কাও ফাবগী মতাং অসি শক্লকপদা কাওবু হেক ফারবদি পেনা শকপা লোইরে অদুনা ফাদ্রিঙৈদা নুংঙাইনবা মচাক কয়া হাপচিন্দুনা শক্লে। ঙসিগী ওইনা পেনা শকপা ওজাশিংনা শক্লবা কাও ফাবগী মতাং অমা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

"খুমন ইবুংঙো নোংয়াই মচা খম্বা, ইন্নবা কনবা লেঙবান্নি, শুক শুকপা পাম্বোমনি, লৌ হৈবা কম্লাকনি। নিঙ্গোং চপ্পা ফৈবাক্লি। লমজেল য়াংবা খুনামনি, নুং চপ্পা থবাক্লি, কবুই শলাং নিংথৌ মপারি মুক্না কাংজেদা, ইথিংদা–পম্থিংদা, চেঞ্জোংদা–মাঙজোংদা, খোঙয়াইদা–ফুগৈদা, থাঙদা–তাদা, ইয়ুম মোইরাং লৈবাক্তা, পরি ইবুংঙো ইচাগী লম্বা ওইগদবা তম্বা নিপা লৈতে, নহাদে অদোনদে, পুরেম্বগী মচা, ঙাঙ্খারৈমাগী মনুংয়াই, খম্নুগীনা মৌপ্পা ফৈরোইজাম্বী মশেল, চাউবগী মমাক, থোংলেনগী মপারি, মপু ইবুংঙো মোইরাং নিংথৌগী, মনাও ইবুংঙো ৱাঙ্গোল নিংথৌগী, মথং খনবগী পাম্বোদি, অঙৌবগী মতৈহন, নোংয়াই মচা খম্বনি। ইন্ন কনবা লেঙদোনসিনা, তাপ হেক্তা পায়রগা, য়েত্তা লৈবা হারু ওইদা লৈবা হারু, থাংজিং চীংশাংনা লৈবা মায়কৈদা, গ্রং হেক্তা লংশিন, পুমতোয় পুমতোয় তোয়, উফুল ফ্রং হৌ, নুংঙাইরে হায়না লাউনরকপা, মানবী চীরেল পায়রগা, খুমননা ফৈরা তাজিল য়ৈনা, ফল চোংশিল্লগা, নীংথি ঙাংবা ষণগী চীরোং অনীদো, মনাগা মচিলগা তাপ পায়রগা খম্বনা, গ্রুক ইল্লকপদা, খম্বনা খাঙবা ঙমদনা, ষণগী পম্থিং অসি নোংয়াইনা গ্রীক ইনশিল্লকপদা লম ১৫ ইল্লি। কাওনা নিফু ইল্লি, খম্বসু নিফু ইল্লি, অসুম ইন্নরকপসিনা, খম্বনা কাওগী নাকথং মপাদা খোঙবীনা হাইজিল্লগা দং থিনবদি, ননাইনা থাবনা মৱাৎলি ওজাশিং, করিদা প্রমাণ তৌসিগে কুরাওদা য়োৎপী থাগুম্মিদা।" *(শৈশকপা নিংথেমজাও)*

# মণিপুরী পাম্বে–পাউরৌ, পাউতাক

* **কাচিন–কোয়া কেকু ফোং ফোং**
  – মীনা খঙদনবা হোৎনবা থবক্তা ইফোঙ ফোঙনা খঙনরকপা!
* **কারোংগা ঈথাইগা এঞ্জাং লান্নবা।**
  – ওইরোইদবদা হেন্না নকশিন্নবা নুংশিননবা হোৎনবা।
* **কারন মপান থোকপা (কারন মপান শাবা)**
  – ফজদবা লমচৎ শাজৎ উখোকপা।
* **কারন মপান থোকপা মীগা মরুপ শান্নফদে।**
  – চোং কান তৌবা ফত্তবা মীগা তিন্নবা ফত্তে।
* **কান্নগদবা ওইরদি হায়দুনা (নিদুনা) ময়েংঙু পীরক্ত্রবসু মহুৎ তাই।**
  – হায়রুরগা তৌবিরক্লবসু তৌবিরক্ত্রবসু মাঙবা লৈতবা ৱাফম।
* **কান্নরোইদবদি পোল্লিঙৈদা (মমুদা) থদৎপা ফৈ।**
  – কান্নরোইদবা পোৎতুদি নৌরিঙৈদা মাঙহনখিবনা ফৈ।
* **কানা কানি ঙাঙনবা।**
  – মীনা ফত্তনবা পঙহায় হায়জিনবা।
* **কান চাদ্রবদি কিন চায়।**
  – মতাং চাদনা তৌবা থবক চৈ চায়।
* **কান (কাল) চাদনা ঙাওশিন্নবা চোপ্পা নঙ্গদৌবতনি।**
  – মতাং চাদনা খৎপা মথোং চাদবা থবক তৌরবদি ইকায়বা নঙই।
* **কান্ন ৱাহৈ নীংথিবা তোয়না খক তাদেদো।**
  – কান্নগদবা অফবা ৱাহৈদি মীনা ইহায় হায়বীদে।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– অচুম্বনা পৃথিবীবু পুরি, অচুম্বনা নুমিৎ ঙাল্লি, অচুম্বনা নুংশিৎ শিৎহল্লি, পূম্নমক অচুম্বদা লৈবনি।
– লক্ষ্মী লেঙদনা লৈতে প্রানসু লেঙদনা লৈতে। নহা ওইবা, পুন্সি লোইনা অরেপ্পা খঙদবনি। সংসার অসিদা লেঙদবদি ধর্ম্ম খক্তনি।
– মীরক্তগী মরৌ লৈবদি শম ককপনা হেনবনি, উচেক্কী মরক্তা ক্বাক্লা খ্বাইদগী শিংবনি। শাশিংগী মরক্তা লমহুইনা শিংই, নুপীশিংগী মরক্তা মালিনি (লৈ রাংবী) না মশিংই।
– (শাস্ত্রগী ৱা) তারগা ধর্ম্ম খঙবনি, (লমচৎ শাজৎকী ৱা) তারগা ফত্তবা হৈনবী থাদোকই, (জ্ঞান পীবা লাইরিক্কী ৱা) তারগা জ্ঞান ফংবনি অদুগা (মহাত্মাশিংনা ঙাংবা ৱা) তারগা অরান খুভম্বু ফংই।
– উচেক্কী মরক্তা ক্বাক্লা মফত্রে, শাগী মরক্তনা হুই, মুণিশিংগী মরক্তা শাউগনবা অদুগা অতোপ্পবু হুন্দুনা ঙাংলিবদু ফৎত্রবনি।
– পীথ্রাইবু উৎনা, কোরীবু মঙ্গৈনা, নুপীবু ঋতুনা অদুগা তুরেলবু ঈচেলনা শেংদোকই।
– নিংথৌবু, ব্রাহ্মণবু অদুগা যোগীবু চখোক্লবা মতমদা লুনা তৌনৈ অদুগা নুপীনা চখোক্লবদি মাঙলবনি।
– মরন লৈবা মীগী মরুপ ৱাত্তে, মরন লৈবগী মরী মতাসু লৈ। লন লৈববু মীয়াম্না মী কৌনৈ অদুগা ৱা ঙাংবা হৈববু পণ্ডিত ওইনা ইকায়খূম্নে।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

**ঙসিগী পাউখোং ঃ**

১১৮. ঈশৈদি শক্তনা ফিদি পংথাদা থাবা–
১১৯. অনাবনা লেপ্পা মাইবনা লোংনা শুবা–
১২০. চৎপদা চোংঙ– চোংঙগা চৎপা জীব–
১২১. লৈপুং অমদা মখুল তরেৎ হুৎপা–
১২২. লময়াইদা ফৎ–ফৎ কাচিন্দা কিৎ–
১২৩. চীংদুম অনীগী মরক্তা মোইবুং খোংবা–
১২৪. অমুবা কোট লিৎপা মবুক্তা থাঙ য়েপ্পা জীব–
১২৫. অরুম্বা পুরগা পোত্থাদবা অয়াংবা পুরগা পোত্থাবা–
১২৬. উ অমসুং ৱা কাবদা খ্বাইদগী হেন্না হৈ–শিংবা–
১২৭. মথক্তা মরা চৎপা মখারোমদা মশা তাথরকপা–
১২৮. মী খরনা তিননি হায়বা মী খরনা উচেকনি হায়বা–
১২৯. মপুগীনা উপনা শাই মনাইগীনা লোংনা শায়–

**মমাঙ নোংমাইজিং (২১–০৪–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ**

১০৬. ফেব্রুৱারী ২৯
১০৭. থা পুর্ণিমা।
১০৮. চিগোংলৈ।
১০৯. হয়িংখোই।
১১০. পূং ২ তাবা।
১১১. য়া, লৈ।
১১২. কাকফৈ মুনবা।
১১৩. পোলাং চীংদা পুখৎপা।
১১৪. থাংজিং খয়োম।
১১৫. ক্বাক।
১১৬. কুরাক অমসুং তিনথাক/কোবীতিন।
১১৭. শম্পোৎ খোয়বা।

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **হুইবু হেন্না হায়বা ইলহনবিগে হায়রবদি?**
  য়ূমগী হুইদি করিগুম্বা খরগীদমক চৈবিরুরবা নৎত্রগা ফুবীরবা মতুংদা লুনা তৌবিবগী মওং অমুক উৎপীয়ু, মদুনা হুই অদু হেন্না হায়বা ইনবা হেনগৎলক্কনি।
* **হোট ৱাতর বেগ শীজিন্নবিগে হায়রবদি?**
  হকচাং ঙমদবা মতমদা নৎত্রগনা নীংথমথাদা শীজিন্নবীরিবা 'হোট ৱাতর বেগ' অদুদা হানবীরিবা অশাবা ঈশিং অদু মতম শাংনা শাদুনা লৈহনবিগে হায়রবদি হানবীরিবা ঈশিং অদুদা গ্লিসরিন ড্রোপ তরামুক য়ানশিনবিয়ু।
* **হৌদোং কাহনবিরোই হায়রবদি?**
  য়ূমদা লোইবা হৌদোংনা য়ূমগী অরু–অনান সোফানচিংবদা কাদুনা কুনশীনবা তুমশীনবনচিংবা তৌহনবিরোই হায়রবদি সোফা কুসনগী মখাদা ফি–কর্পুর (নাফথালেন) মকুপ খজিক–খজিক্তং চাইশিনবিয়ু (তৌবদবু পীক্লিবা অঙাংনা ফি–কর্পুর মকুপ্তু অচাপোৎ ওইরবোই খন্দুনা হুকচিনখিদনবদি চেকশীনবিয়ু)
* **হৌদোং ৱারকপীগে হায়রবদি?**
  হৌদোং হায়বা জাৎ অসিদি চৈর–চৈরগা লম হেনবা হেনগৎকল্লি, তপ্পা–ঈংনা ঙাংবদসু মনাদা চঙগন্দে। হৌদোংবু ৱারক–ৱাতেম্বীদুনা তম্বী–তাকপীগে হায়রবদি অশাওবা উৎপীগনু, তৌবদবু খোন্দি খরা ৱাংলপ–ৱাংলপ ঙাঙবীয়ু।
* **হৌদোংনা মাঙশিনহনবিরোই হায়রবদি?**
  অদোমগী য়ূমদা য়োকপা নৎত্রগা মীয়ূমগী হৌদোংনা ইশ্বোলগী অকক্লবা মফম খরদা অমাং–অশোয় শুংতৌ তৌহনবিরোই হায়রগদি মফমশিং অদুদা কোমলা মকু নৎত্রগ্ গুলমিরিচ খরা খরা চাইথোক্তুনা হেক হেক থম্বীয়ু।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*

# শৈরেং

## খ্বায়রমবন্দ

*ইরোম মোবি*

খ্বায়রমবন্দদা তাবদগী
ইংলিশ ইবা পাবা ঙম্লে
হিন্দীদি মরোলগুম লোল্লে
শেলসু পায়রে
লাইরিক শুকহৈ হৈতবা মানা।
পুন্সিদা মী ওইনা হিংগে খল্লবা
শূবা–নোম্বা তন্দ্রবা
খ্বায়রমবন্দদা তাউ।

## চোংঙা

*লাইশ্রম দেবেন*

ওম্বোক্লা শাউনা খোংখ্রেদা কৈদৌরগে
নপুরোইবা লমদা শাওরিবু
নচা–নশুগী মৈচাক্তা ঙাওরিবা
খোংসনু চেক্লা লাক্লা লাক্লা।
নঙগী 'ৱাবা উরগা থম্মোয় খাংঙমদে
খঙলমনি নঙগী ৱাবসু ঈশ্বরনদি
পেম্বোকপা ঙম্না হিংবা তম্মু
মদুনা নঙগী 'পুন্সি য়াইফবনি।
নঙনা উচেক্কী মপোক্তা ৱারি
ঐনা তাইবঙ পুন্সিদা নঙলি
তাইবঙ শিম্বা ইংনা পাংঙু
মদুনা পুন্সি মহৈ য়ানগনি।

## খোইমুদতা তাইনবীনু

*তবানু খুরাইজম*

কুচু মুই হায়দুনা খোইমুদতা তাইনবীনু
লৈহী পাম্বা মপোক্লি
মপু মানা শেল্লকপনি।
লৈশাৎ শুদ লৈনময়েন
লৈরাংগী শৈশক খূৎকেদা
মীরমগী ফিজেৎতগী হেনখিবনা
খোইমুগী মীৎয়েং খাখিবনি
শিবা–চঙবা নাচুংদনা
পাইরকপনি লৈকা তম্না
খোইমুদতা তাইনবীনু।
ইপা–ইপুই মতম অমগী
ফজবা নীংথিবা ফিজেৎ চাকচা
মমি অসুম শন্নকখিবা
লৈরাংশিংগীসু থৌদাং লৈ
লৈনানা য়োম্না লৈনম য়েন
লমহেনবা ঙম্লোই লৈপাম্বা।
তাইবঙ লৈরাং লৈনুংশি
সিরী খোইরী লৈশাৎ তম
নুংশি লৈনম শনখিনি
লৈরাংনা থোইচৎনা শাৎলগা
লৈমায়দা কেনবা মতমদি
মীৎকুপ পূংজা খঙহৌরোই
পলেম পম্বৌ ওইবৈসু
ৱারক চৈথেঙ মখা পোন
পাম্থ লৈত্র ঈচেলনি
লৈনা চোইনা কেল্লগা
তেংথা খোঞ্জেলতনি লৈহৌবা
ইশাগী ইতৌসু ইরাল লৈ
ৱাখল খজিক খম্থসি।

## হায়বীদে হায়নি নঙতনা মরুনি

*কে ইমো মৈতৈ*

চীং নীংখায়রে নঙননি হায়গনি
ডাক্তরখানাদা মী শিরবসু নঙননি
এক্সিদেন্ট থোক্লবসু নঙোন্দা তায়ননি,
শেঞ্জা–থুমজা তৌবসু নঙোন্দনি
ঈশিং ফংদবগীসু নঙোন্দা থংজিন্নি,
বন্দ তৌরে, নঙনা তৌহনবনি
ইজ্জৎ মাঙহল্লম্বসু নঙনা চেকশিন্দবনি
ময়ূম পাল্লবীনা নিপা ঙাংনবসু
নঙনা লৈঙাক হৈতবগীনি হায়নি
য়ু নিষা থিংদবগীসু নঙোন্দা
য়ূম নীংখায়রসু নঙোন্দা তায়নবা
বাউন্দরি লান্না মীতোপ চঙলকপা
থিংদবগী ৱাথোক নঙনা তৌবনি
মশানা খঙনা ফম থাদোক্কদনি
কনানা হায়রিবা, করিগী ঙাংলিবা?
অফস্পা কনানা করিগী পোক্লম্বা?
ঈশেং নত্তবগী করম্বা লৈঙাক
ঈয়ান খুপুগী নিংথৌ লৈঙাক
পারী পুরী লৈতবা ফুরুপ,
মীয়াম ঈ–শিংদা খুভম শিন্নবা
মখোয়নদি পাল্লি নঙনদি য়াদরি
হৌরকফমসু তিন্নদবা পোলোয়সু মান্নদ্রবা
মুৎখ্রগদবা ইরমদমগী নুংশিরবা প্রজা
কনাননো লাক্তুনা কনবীগনি খঙদ্রিবা
পূম্নমক নঙননি থৈজিল্লি মখোয়না
মখোয় কনানো খঙলব্রা নহাক?
হায়বীদে হায়নি নঙতনা মরুনি।

# চয়োলসিগী ফাগী

**মতমগী মী!!**

ঠিকা তেক–তেক তৌবদগী শেল খরা খরা পায়জরক্লবা নুপা অমা য়ু থকই, জ্বার শান্নে, পান দুকান ফম্বীগীদা ৱারেম ঙাঙদুনা লৈথোকই, নুমিদাং থেঙন–থেঙনা হঞ্জিল্লকই হায়বা ৱাহৌদগী ময়ূমদা নুপীগা চুম্না শুম খৎনরম্বদৈ নুপাদুনা নুপীদু মচিন কনমল্লি হায়দুনা থীনা হেক ফুদোকখিবদগী, মথ্বায় নুংঙাইমন্দ্রদুনা অনকপা কৈথেলগী য়ু য়োনফমদা মখোঙনা লাক্লগা য়ু তপ–তাই থকচীনবদৈ ঙাওরগা ময়ূম হল্লকপদা রিক্সো তোংলকই। রিক্সো থৌরিবা নহাদুদা মানা– "ইনাও নঙ য়ু থকপ্রা, জ্বার শান্নব্রা, পান দুকান ফম্বীদা দিন অমুক্তা লেল্লুদ্রা, নুমিদাং থেঙনা য়ূমদা হঞ্জিনব্রা" হায়দুনা পঙহংদা হংই। রিক্সো থৌবা নহাদুনা "তামো ঐদি থকচদে, শান্নজদে, লেঞ্জরুদে, হঞ্জিঞ্জদে" হায়দুনতা খুম্মী। মদুদা নুপাদুনা–

– সবেস, ইনাওগা ঙসি থেঙনবসি নয়াম্বগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি, ঙসিদি ইচিন–ইনাও নয়াম্বগী য়ূমদা ঙাইহাক্তং চঙমিন্নরুসি... ভারাগী কৈম খল্লুনু নয়াম্বনা চাম্মা চৎপী অমা শৎ হেক্তগা লাম্বোক্লদৌনি... মহা ইশৌ লাংবী নতৈমদো... নতৈমদুদা, য়ু থক্তবা জ্বার শান্নদবা, পান দুকান্দা দিন লেন্দবা, নুমিদাং থেঙনা হঞ্জিন্দবা নুপাদি রিক্সো থৌই হায়বসি ঙসিদি অমুক্তা তাক্লেহে ইনাও...